## মুগা তিল য়োকপগী তিলয়োক পথাপ

মুগা তিল অসি মহৌশানা চহি অমদা তিলয়োক ৫-৬ ফাওবা লৈ মসিবু multivoltine হায়না খঙনৈ। মখোয়গী মনুংদা মহুমগীদমক (commercial) য়োক্লবনা Jethua - May, Katia - October/ November না Pre Seed Crop Jasua - December/January অমদি Aherwa - June/July অদুগা Seed Crop না Chotva - February/March অমদি Bhodia - July/August তনি। মরুওইনা Pre Seed Crop অমদি Seed Crop শিংগী খুৎয়োক পান্থাশিংদি অয়াম্বনা তিল মচা ওইরিঙৈ মতমদা নুংশিৎ নুংশা ফত্তবা মতম ওইবনা লাইনা তিলনা কয়ামরুম তাদুনা তিল শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই।

পায়খৎকদবা অপুনবা তিলয়োকপগী থৌওং

অপুনবা মুগা তিলগী চানবা পাম্বি অদুগী চাদা ১৫-২০% অদু লৈমায়দগী ফিট ৬ ৱাংনা থা ৪গী মমাংদা তিল মচা য়োক্লবগীদমক মশা থাবীগনি অদুগ চাওখৎলক্লবা তিলশিং য়োক্লবগীদমকতি থা ৫ মমাংদা মশা থাবীগনি।

| তিল য়োকপথা | মশা থাবা মতম | |
|---|---|---|
| | নৌরিবা তিল য়োক্লবগীদমক | চাওখৎলবা তিল য়োক্লবগীদমক |
| আহরউৱা (জুন/জুলাই) | ফেব্রুৱারিগী মরিশুমা চয়োল/ মার্চকি অহানবা চয়োল | ফ্রেব্রুৱারিগী অহানবা চয়োল |
| ভোদ্রিয়া (জুলাই/ওগষ্ট) | মার্চকি মরিশুবা চয়োল/ এপ্রিলগী অহানবা চয়োল | মার্চগী অহানবা চয়োল |
| কাতিয়া (ওক্টোবর/নভেম্বর) | মেগী মরিশুবা চয়োল | এপ্রিলগী অনিশুবা চয়োল |
| জারুৱা (দিসেম্বর/জন্যুৱারি) | ওগষ্টকী অনিশুবা চয়োল | জুলাইগী অনিশুবা চয়োল |
| চোতুৱা (ফেব্রুৱারি/মার্চ) | সেপতেম্বরগী অহানবা অমসুং অমসুং অনিশুবা চয়োল | ওগষ্টকী অহানবা অমসুং অনিশুবা চয়োল |
| জেথুৱা (মে/জুন) | জনুৱারিগী অহানবা চয়োল | নবেম্বরগী অহানবা চয়োল |

- কেজি ৩০ ষণথি ষণয়ুংগী হার অমদি NPK 44:62:17 গী চাংদা মুগা তিলগী পাম্বিশিং মশা থাবা লোইরবা মতুংদা হাপ্পিগনি।
- তিল য়োকপা হৌদ্রিঙৈগী নুমিৎ ৮-১০গী মমাংদা Bleaching Powder অমদি ময়াকলৌথোক্লবা শুনু (lime) গা য়ান্নদুনা চাংনা (1:5) তা লৌবিরগা 1 sq. দা 200 gm নুমিৎ ৩-৪ কান্ননা অনিরকতং চাইথোকপিগনি।
- তিল য়োকত্রিঙৈগী নুমিৎ মরিনিগী মমাংদা ০.০১%গী পাঙ্গল লৈবা sodium hypochorite মহি চৌকি তিল মচা য়োক্লবা থল্লিবা পাম্বিশিংগী মনাদা অনিরকতং পুং ২৪ কান্নরগা কাপথোকপিগনি।

- Microspoce কী মতেংনা মহিক চেন্দ্রে খঙলবা তিলদমক তিল য়োক্লবা হোৎনবীগনি অদুগা লাইনা চেন্দবা মরুমশিংদু $26\pm1^{o}C$ গী মৈশা লৈবা অমদি 85±5% RH গী মনিল লৈহল্লবা কাদা থম্বিদুনা মরুমশিংদু মচা ওলহনগনি।
- তিল য়োক্লিবা পাম্বিশিংদু নাইলোন ইননা ঙম্না কুপশিল্লগা য়োকপিরবদি ফত্তবা তিল কাংশিংদগী ঙাকথোকপিগনি।
- পোকখাইরকপদা ঙাইরিবা তিল মচাশিং অদু মশা থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ৯০নিরোম শুবা মশাগী মনাশিংদা থাজিন্দুনা য়োকপিগনি। অদুবু নিংথমথাগী মতমদদি নুমিৎ ১২০নি শুবা মশাগী মনাশিংদা ওইনা পীজদুনা য়োকপিগনি। তিল থাজিনবগী চান্নবা মতমদি অয়ুক্কী পুং ৫দগী ৭ ফাওবগী মনুংদা তৌবিগনি। কালেনগী মতমদনা উরুম লাংবা মাইকৈরোমদা থাজিনগনি অদুগা নিংথমথাদনা নুংশা লৈবা মায়কৈরোমদা থাজিনবনা ফবা হেল্লি।
- পাম্বিদা তিল থাজনবগী চাং অসি ৱাখল মুন্না খন্নবিরগা তিলনা মরিশুবা তাঙ্কক্কী (instan) য়ৌবা ফাওবদা চাবা ওক্কদবা চাংদা থাজিনবীগনি। মরমদি য়োক্লিবা মুগা তিলশিং অদু তোয়না পাম্বি অমদগী পাম্বি অমদা থাংদোক থাংজিন তৌবা হন্থহন্নবনি। থাংদোক থাংজিন তোয়না তৌরবদি তিল মশা ফবা ৱাৎলি।
- নুমিৎ অমদগীনা অহুমশুবা ফাওবগী মনুংদা পোকখাইরকপা তিল মচাদমক য়োকপিগনি।
- মথক্তা পনখিবগুম ময়ায় ওইরপ চাওরবা অমদা কুরাক অমোম অনি নত্রগা অহুমনা কোকপা মরুমদং থাজিন্দুনা য়োকপিগনি।
- নোংজুথা লেন তাগনবা মতম অমদি নুংশিৎ কা হেন্না শিৎপা মতমদদি পোকখাইবদা ঙাইরিবা তিলশিং অদুমনা পানবা মশাশিং হেকলগা য়ুমগী মনুংদা পুশিন্দুনা অচোৎপা লৈঙোইদা য়ুংলগা থম্বিদুনা নত্রগা ঈশিং য়াওবা পাত্রদা য়ুশিন্দুনা থম্বিরবদি নাশিং অদু তেকখৎনা লৈগনি অমদি থৌওং অসিদা নুমিৎ নিনি হুমনিদি তিল মচাশিং য়োকপা য়াগনি।
- তিল য়োকলিবা উগী মউ অদু থাও তৈরবা পোলিইথিন শিট মপাকনা য়েমশিনবিগনি মসিনা মুগা তিলশিং লৈবাক মখাদা কুমথবা থিংই অমদি অতোপ্পা ফত্তবা তিলশিংনা উথকরোমদা কাখৎপসু থিংই।
- য়াম্না তোইনা য়োক্লিবা মুগা তিলশিং পাইবীবা ফত্তে।
- মহি মতাং য়াওহন্দনবা Disinfect তৌরবা চালোনি শিজিন্নদুনা তিল মচাশিং হোংদোক হোংজিন তৌবদা শিজিন্নগদবনি।
- চালোনিদা হাপ্পদা তিলশিং য়াম্না কুংনা থম্বা অমদি পাম্বি মচাশিংদা তিল মশিং কাহেন্না কুংনা থাজিল্লোইদবনি।
- চাংচত্তা ০.০১ গী পাঙ্গল লৈবা sodium hypochlorite অনিরক্কুম্বা কাপথোকপিরবদি বেকতেরিয়া অমদি ভাইরসনা থোকপনবা লাইনাগী লাইচত্তগী য়োক্লিবা তিলশিং ঙাকথোকপা ঙম্মি।
- তিল মচা ১৫০০ হাপ্পা চনবা উপুগী মওংদা ৱাচেৎনা শাবা মহুম হাইফমদা মুল্লবা মুগা তিলশিং মহুম হাইহনগনি।
- মহুম হায়রিবা তিলশিং য়াওবা উপু অদু মমলি মমলি নুংশিৎ নুংশা লাংবা উচি চংদবা কাদা থম্বিদুনা মহুম হাইহনগনি।

- মহুম হেকপদি কালেনগী মতমদনা মহুম হাইবা হৌবা নুমিত্তগী পারগা তরেৎনি শুবা নুমিত্তা অদুগা নিংথমথাদনা তরানিশুবা নুমিত্তা তিনগোং ওনবা লোইরগা হেকপিগনি।
- পানা হাইবা মহুমল মাংহন তাকহল্লবা মহুমশিং অফবা মহুমশিংদগী খন্দোকলগা থম্বিগনি।
- কনকন লাওবা মহুম অমদি তিনগোং হিংলিবা শিংদমক মরুম শেম্নবা অমদি লং চিংনবা থম্বিগনি।

**মরিকচুম্বা ৱারম ফংফম :**

1. Package of Practices of Muga, Eri and Mulberry Sericulture in North Eastern Region of India, 2005, Central Mugu Eri Research & Training Institute, Lahdoigarh, Jorhat, Assam.

2. Directory of Sericulture Technology 2008 Karnataka State Sericulture Research and Development Institute, Bangalore - 560062.

3. Sri Dulal Goswami, Dr. N.I. Singh, Dr. K. Neog, Central Muga Eri Research & Training Institute, Lahdoigarh, Jorhat, Assam.